GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.50 A&B of 06/11/2020
Valid from : 02/11/20
Time : 7.30 to 11am
Tanglei gas Oinam
V/f- 21-10-20
B/upto - 22-10-20
Stock : 306
Time : 7am to 10am
POROMPAT INDANE GAS/ POROMPAT
Booking up to : 26/09/20
Valid from : 29/08/20
delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time 08:00 am to 10:00 am
M/S R&H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Delivery
Booking Upto :12/09/2020
Valid From : 21/08/20
Stock : 306 nos.
Home Delivery &Booking contact Nos.8414824977/8413936705/9366013547/8132036940
Call Timing: 8.30 am to12 noon.
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 22/10/2020
BOOKING UPTO: 27/10/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 04/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-28/11/2020
Valid from-29/10/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
TDK GAS
BK. UPTO : 09/10/20
VF : 07/10/20
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT
NO:6909614353/8731992324
HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking up to : 08/12/2020
Valid from: 28/11/2020
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 11:00am
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 31/10/20
VALID FROM : 23/10/20
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00 to 10.00am
HIYANGTHANG INDANE
Booking 09-10-20
Valid.08-10-20.
Only home del. Service.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
STK. - 306
PHAYENG INDANE
Booking upto : 12/11/20
Valid from : 4/11/20
Timing : 8.00 to 10.30
Only home delivery
Contact 8014897823
KHUMBONG INDANE
Booking upto : 11-10-20
Only home delivery (within 3 days)
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time : 7.30am to 11.am
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 8:00 am to 12:00 Noon
BOOKING : 03. 11.20
VALID : 25.10.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO-- 28-10-2020
VALID FROM : 20-10-2020
STOCK : 918
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 22/09/20
Valid from : 16/09/20
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
HEIROK INDANE
Booking upto : 15-10-2020
Valid from 08-10-2020
Stock:- 306
Home delivery
Contact time : 9.30 am to 2.00 pm
MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 08/11/2020
Valid from 20/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 29/10/2020
VALID FROM: 27/10/2020,
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.A JAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৯,৮০০ ফাখিবা কেসকী ৱায়েলদা ৱিটনেসকী এগজামিনেসন মখা তানা চথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): লিলোং পুলিসনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কমান্দোগী টীম অমগা লোয়নননা মার্চ ১১, ২০১৯গী নুমিদাংদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৯,৮০০ ফাগৎখিবা কেসকী ৱায়েলগী অহানবা শরুক্তা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) থৌবাল এ নৌতুনেশ্বরিগী কোর্টতা চথরক্লিবা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দল্লিয়ু) শিংগী এগজামিনেসনদা ইহান হান্না ইগজামিন তৌখিবা মতম অদুগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ওইখিবা ইন্সপেক্টর ওইনাম অজিৎকী মখা তাবা ইগজামিনেসন পাঙথোকখ্রে।

মহাক কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর-১নি। মহাক্কী এগজামিনেসন অসি মমাঙ থাগী ২৬তা ইহান হান্না পাঙথোকখিবনি। অদুবু নুমিৎ অদুদা লোইশিনবা ঙমখিদবদগী ঙসি অমুক ৱাৎহৌবা শরুকশিংগী মনুংদা খরা পাঙথোকখিবনি।

ঙসি মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা কেস অসিগী এক্যুইজ ফেরোজ খাননা হায়দোরকপগী মতুং ইন্না সীজ তৌখিবা কন্ট্রবান্দ আর্টিকলশিং অমসুং মারুটি অল্টো কার অদু মহাক্কীনি হায়রি। কন্ট্রবান্দ আর্টিকলশিং অদু মতম অদুদা নার্কোটিক্স এন্দ এফের্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনদা এটেষ্ট তৌদুন লৈখিবা সব-ইন্সপেক্ট ওফ পুলিস রাধাকিশ্বরনা মারুটি অল্টো কার (সিল্কি সিলভর কলর) অমদা মশক খঙদবা মীওই অমগা লাকমিন্নদুনা পীরমখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক, হায়রিবা পোৎলমশিং অসি পীরমখিবগী চপ চাবা নুমিৎ অদুদি মহাক্না নীংশিংবা ঙমদ্রে হায়নসু ফোঙদোকই হায়রি।

পুলিস ওফিসর অসিনা কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এক্যুইজ ফেরোজ খাননা মহাক্না লোয়নবা এমদি অখান, এমদি নাজির অহমদ অমসুং এমদি অনিস খানবু কন্টেক্ট তৌদুনা কন্ট্রবান্দ আর্টিকলশিং অদু লিলোং তাইরেল মখোঙদগী এমদি নৱাজ খান কৌবা মীওই অমদা য়োননবা খন্নখি হায়নসু ফোঙদোকই হায়রি।

লোয়নননা এক্যুইজশিং ওইরিবা এমদি অখান, এমদি নাজির, এমদি অনিস খান অমসুং এমদি নৱাজ খানদা চথখিবা এগজামিনেসনদসু ফেরোজ খাননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু চুশিন্নখি হায়রি। মসিদগী থৌদোক অদুগী ইনফোর্মেসন পুলিস ওফিসর অসিনা মহাক্কী সিনিয়র ওফিসরদা পীখি অমসুং মহাক্কী নোলেজগা লোয়ননা রাধাকিশ্বরগী ময়ূমদা মহাক্কী পুলিস টীমগা লোয়ননা চৎখি হায়রি।

মার্চ ১২, ২০১৯গী অয়ূক অঙনবা পূং ২.৩০রোম তারকপদা সব-ইন্সপেক্টর রাধাকিশ্বরবু নোংমৈবুংদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদগী ফোর্মেল এরেষ্ট মেমো অমা শেমদুনা ফাগৎখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। লোয়নননা রাধাকিশ্বরদা চথখিবা প্রিলিমিনরি এগজামিনেসন্দা এক্যুইজ এমদি ফেরোজ খাননা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুগা চুশিন্নখি। অদুগা রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোরকখিবদনা, ফাগৎলবা কন্ট্রাবন্দ আর্টিকলশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লুকেরদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পোষ্টিং লৈবদগী মতম অদুদা এন এ বি পুলিস ষ্টেসনদা এটেচ তৌখিবা সঞ্জয় কৌবা কন্সটেবল অমনা পীরম্বনি হায়দুনা ফোঙদোকখি হায়রি। অদুম ওইনমক, সঞ্জয় হায়রিবা কন্সটেবল অসিগী চপ চাবা ময়ূমগী লৈফম হায়বা ঙমখিদে হায়রি।

ঙসিসু কেস অসিগী এগজামিনেসন ইন-চীফ অসিনা কোর্টতা মহাক্কী মায়কৈদগী থমগদবা ৱারোলশিং লোইনা থম্বগী মতম ফংখিদবদগী মখা তানা চথখিনবা কোর্টনা মতম অমা লেপখি।

অম্বানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): গুৱাহাটি হায় কোর্টগী জষ্টিস ওইদ্রিঙৈ মমাঙদা সিনিয়র এদভোকেট অমা ওইরম্বদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা কোর্টশিংগী প্রিসাইদিং ওফিসরশিং অমসুং গুৱাহাটি হায় কোর্টকী ইম্ফাল বেঞ্চকী রেজিষ্ট্রার সু ওইরমখিবা জষ্টিস হাওবম কামিনিকুমারনা থা অসিগী ৮ দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট ২ তূমীন্না লৈদুনা লৈখিদ্রববু ইকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা অম্বাগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াগনি হায়না ৱারেপ লৌখি।

লোয়নননা অম্বাগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওক্রম ন্যুতনকুমারনা থোরকপা চেরোল অমদা, লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীমক মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা থৌনিজখি হায়রি।

নমখায়রো নঙগী পলশিং ...

লামায় ১গী মখা... 'নমখায়রো নঙগী পলশিং' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লুৱাং পব্লিকেসন্না ফোঙবনি। লাইরিক অসিবু ইবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোইজুমান ময়ায় লৈকায়দগী বিরাকানন এলিয়জ বি কে থিয়াম্না ফোঙদোকখিবদা মঙোন্দা ফাওখিবা অমদি ময়াম্না মঙোন্দা হায়রকপা মতমদা মানা করম্না টেকেল তৌই অমদি গাইদ ওভর কমদৌনা তৌখি হায়খিবশিং অদু ৱাহৈনা নৎত্রগা লাইরিক অমা ওইনা ইহৌবা হায়বা অসি ঙসিগী জেনরেসন্দা নত্তনা লাক্কদৌরিবা জেনরেসন্দা কান্নবা ওইগনি খনবদগী লাইরিক অসি ইজখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মাগী ৱারীমক্তি নত্তবা, ঐনা শি তৌসি হায়বদি নত্তবা, কনাগুম্বা অমদা পিন ওফ রিফরেন্স পীরগা অমদি কনাগুম্বা অমদা মহাক্না ৱাখল্লোন শাগৎচরগা মহাক্কী চপ চাবা পূক্নিংগী ৱাখল্লোনশিং অদু কনাগুম্বশিংনা লাইরিক অসি পাবা মতমদা চপ চানা উবা ফংগনি হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি।

মহাক্না হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা অদোমগী পূক্নিংদা ফাওরিবা ইথিল, তৌগে হায়না খল্লিবা থবক অদু তৌগে হায়না হোৎনবীরগদি কনাগুম্বনা মরক্তা পক্তে হায়রক্লগসু পোলোইদা মায় পাক্লবা কান্দা মখোয়না নঙোন্দা হোৎনবা কল্লি হায়বীরক্কনি হায়খি।

এম য়ুগী সিক্যুরিটি ওফিসরগী...

লামায় ১গী মখা... পোৎলমশিং রিকোভর তৌখিবা লৈখি হায়বদুগী মতাংদদি ওফিসিএল ওইবা পাউ ফংবা ঙমখিদ্রি।

পনবা য়াবদি, মহৈকোল অসিগী মেইন গেট য়াওনা রেজিষ্ট্রারগী ওফিস, এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লর ওফিসকী চঙফম, লেদীজ অমসুং মেইন হোষ্টেল নম্বর-১, ২, ৩, ৪, ৫ অমসুং সাইকল সেটনচিংবা মফমশিংদা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ৩০ ফাওবদা মণিপুর হোম গার্দসকী পর্সনল ৬৪ দিপ্লোয় তৌখিবনি। অদুবু মমাঙ থাগী ৩০দা মহৈকোল অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরম্বদগী পোথাখ্রবা জর্নেল সিংহনা ফম অসি পুরকপদগী হোমগার্দ পর্সনেল ৩৪ অসিনা কোন্নদ্রে হায়দুনা মহৈকোল অসিগী অহেনবা হোমগার্দ পর্সনেলশিং লৌনবগীদমক প্রোসেস তৌখি। মসিদা তঙায়ফদনা হোমগার্দ পর্সনল ৭২গী মথৌ তারে হায়খি। লোয়নননা অৱাৎপা হোমগার্দ পর্সনলশিং হাপচিনবদা ফেক এপোইন্টমেন্টতা হাপচিনবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাফমশিং চোংথোরকপদগী সি বি আইনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ইনভেষ্টিগেসন অমসু চথবা লৈখ্রবনি। ঙসিগী রেয়ৈদ অসিসু হান্না চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মখা তারকপদা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা চথবা ওইগনি হায়রি।

চুড়াচান্দপুরদা স্বাছতা অভিয়ান

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): অসাম রাইফলসনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লোকেল পোপ্যুলেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা 'স্বাছতা অভিয়ান' গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মফম অসিগী খুঞ্জা ৯০রোম্না মখোয়গী ভিলেজ চীফশিংগা লোয়নননা শরুক য়াখি। পাঙথোকখিবা ক্লীনলিনেস ড্রাইভ অসি কম্যুনিটি ক্লীনলিনেসকী মরু ওইবশিং অদু মীপূম তিংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা এৱেরনেস প্রোগ্রামনি। মসিদা মীওই কয়ানা থৱায়না য়াওনা শরুক য়াখি।

মাও-জুকো লম্বী থা ৩/৪গী মনুংদা...

লামায় ১গী মখা... পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লিখমাইদগী থিৱা ফাওবগী লম্বী শেম্নবা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট রুমেন এসোসিএসনগী ৱার্ক সেদ শানবা অমদি মখেলদা লৈরিবা প্রোটেক্টেদ হিষ্টোরিকেল সাইট শেমগৎ শাগৎনবা উরেপ-উয়ুং তমখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিং, থবকশিং অমদি স্কিমশিংগী প্রোগ্রেস অমদি হৌজিক লৈরিবা ফীভমসু রিভিয়ু তৌখি। রিভিয়ু মীটিং অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কমার, মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং, হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং, সেনাপতিগী দি সী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি। চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লাক্লম্বদা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়খিবশিংগী প্রোগ্রেসসু য়েংশিনখি। মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং তারবা তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংসু অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা পাউতাকসু পীখি।

মীফম অদু লোইরবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চ্যের লৌদুনা কেবিনেটে মীফমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা এজেন্দা কয়া খন্নখ্রবসু করি করি ৱারেপ লৌখ্রবগে হায়বদুদি ওফিসল ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিদে।

তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও)শিংগী লুচিংবশিংগসু উনখি। সী এস ওশিংগী লুচিংবশিংনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং তারবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ঙসি মহাক্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লাকপগী মরুওইবা মরমসি মফম অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা দিভলপমেন্ট ৱার্কশিং অমদি স্কিমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা রিভিয়ু তৌবগীনি। চীফ মিনিষ্টর ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা লাক্লম্বা মতমদা লুপা ক্রোর ২০২গী তোঙান-তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎননবা লাউথোকখি। লুপা ক্রোর ৪০ চঙনা পায়খৎলিবা ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্টসু হৌজিক চাদা ৮০ রোম লোইশিল্লক্লে। মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদগী থবক হৌরবা য়ানা লৈরে। মাওদগী জুকো ফাওবগী কিলোমিটর ১৫ শাংবা লম্বী অসিসু থা ৩/৪গী মনুংদা শেম্লগনি।

কাটোমৈদা লৈবা হায় স্কুল অসিসু ফুলফ্লেজেদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল ওইনা অপগ্রেদ তৌননবা লুপা ক্রোর ১.৮০ ইয়রমার্ক তৌদুনা থম্লে। অরিবা মতমগী মেগালিথশিংনা লৈতেংলিবা ৱিলোং খুল্লেনসু টুরিষ্ট সেন্টর অমা ওইনা শেমগৎননবা হোৎনরগনি। কারোংগী মল্টিপর্পজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং সেনাপতি পব্লিক গ্রাউন্দগী ষ্টেদিয়মসু অথুবদা শাবা লোইশিল্লগনি। লুপা ক্রোর ১১৪ চঙনা আই আই টি শাননবগীদমক টেন্দর প্রোসেস লোইরে। মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদগী শাবা হৌরবা য়াই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

আই আর বিগী রিটন টেষ্ট হায়দোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ১০ অমসুং ১১শুবা ইন্দিয়া রিজর্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি)গী রাইফলমেন লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লিগী রিটন টেষ্টকী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

অদুম ওইনমক, হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককীদমক য়েংলগা রিজল্ট অসি মণিপুর পুলিসকী ৱেবসাইটতগী য়েংবা য়াগনি হায়রি।

খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...*অমদা হায়খিবনি। বোবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এম য়ুগী ভাইস চান্সেল্লরগী ফম অসি হাঙদুনা লৈরকপা নুমিৎ ১০রোম শুরকপা অসিনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসি মপূং ফানা চল্লাইবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরু ওইনা এদমিনিষ্ট্রেশনগী ৱর্কতগী হৌরগা একাদেমিক এক্টিভিটিশিংদসু অয়েৎ অপন কয়া য়াওরে।, হীরম অসিগী মতাংদা মুসু অমদি য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মেমোরেন্দম পীশিনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদগী চপ চাবা পাউখুম অমত্তা ফংদনা অসিগুম্বা ফিভম অসিদগী মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশননা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৪ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা রেগ্যুলর ভি সি অমা হাপ্পা নৎত্রগা ইন্টরিম এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌনবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রবদি মুসুনা এম য়ু শটদাওন লাউথোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারে হায়খি।

নাকল অমরোমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর এ পি পান্দেগী মতাংদা হৌজিক চথরিবা কোর্টকী হীয়ারিং অসি লোইশিন্দুনা করিগুম্বা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অমুক হন্না থারক্লবদি এম য়ুগী কম্যুনিনা এসেপ্ট তৌগদ্রা হায়না হংবা পাউমীশিংদা ৱাহং অমদা বোবিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, করিগুম্বা কোর্টনা হীয়ারিং অসি লোইরবা মতুংদা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী এ পি পান্দে থারকপা থোক্লবদি এম য়ু কম্যুনিটিনা লৌরকপনা মুসুনসু মপূং ফানা শৌগৎকনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা এ পি পান্দে অসি য়ুনিভর্সিটি অসিদা অমুক হল্লক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈত্রি। লোয়নননা হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনসু মমাঙদা থোকখিবা ৱাথোকশিং অদুগী য়েংলগা মখা তানা ঈৱাং থোক্লক্কদবা থবকশিংদি তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট এন এদিসননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এম য়ুগী ভাইস চান্সেল্লরগী পোষ্ট অসি হাংলিবা অসিনা মরম ওইরগা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী য়েংলগা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎনবা মহৈরোয় লুপ ৬না এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারগী খুত্থাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশনদা মেমোরেন্দম অমা ঙসি পীশিল্লগনি। করিগুম্বা লুপ ৬না তাল্লিবা দিমান্দ অসি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি লুপ ৬না এম য়ু কেম্পস মনুংখক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু মহৈরোয়শিংগা খূৎশম্নদুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিংগী খল্লগা অথুবা মতমদা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনদা তকশিনবীদুনা মহৈরোয়শিংদা কেরিয়র মাঙদনবা হোৎনবীয়ু। লোয়নননা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা মহৈরোয়শিংগী ঈৱাং লাক্তনবা শীনবীয়ু হায়খি।

এন আই এনা সলাইগী মায়োক্তা ...

লামায় ১গী মখা... বেঞ্চনা খন্নরকপদগী ওর্দর পার্ট হর্দকী ষ্টেজদা লৈরক্লবা মেট্টর অহুম্মক ঙসিসু দিভিজন বেঞ্চ অসিদা পূন্না লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা ঙসি মেট্টরশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক লৌখৎলকপদা সলাই গ্রুপ ওফ কম্পনিজ অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাওন্সেল ঐচএস পাওনমগী মায়কৈদগী মহাক্কী ওইবা আর্গ্যুমেন্ট সবমিসনশিং মপূং ফানা লোইশিনখি।

দিফেন্স কাওন্সেলগী সবমিসনশিং অসি লোইরবা মতুংদা এন আই এগী মায়কৈদা লেপখিবা কাওন্সেলনা ঙসি সবমিট তৌরকখিবা আর্গ্যুমেন্ট সবমিসনশিং অসিগা মরী লৈননা পাউখুম পীনবগী মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি। প্রেয়র অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়নননা মেট্টরশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক থা অসিগী ১৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাওন্সেলগী আর্গ্যুমেন্ট সবমিসনশিং অসি হান্ননা মেট্টরশিং অসিগী মতাংদা এন আই এনা সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম ওইনা কোর্টতা থমখিবনি।

লৈখিদবা মশীং তরেৎ ...

লামায় ১গী মখা... পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৩,৩০১ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২০,৩৭৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৯২৬নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৭.৮১ ওইরি। অদুগা এক্টিভ কেসনা ২৯১৫ নি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৬৪০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৫ নি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি জেনিমসতা ২৮, রিমসতা ৪০, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৫, স্বিসতা ১, পিছতা ৪, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩, হিলসাইদতা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৬, এদভান্স হোস্পিটালদা ১, আর দি ৱিংদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৯, বিষ্ণুপুরদা ১১, ককচিংদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ২, উখ্রুলদা ৪, সেনাপতিদা ১, তমেংলোংদা ৪, চান্দেলদা ৭, কাংপোকপীদা ১, নোনেদা ১ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৪ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৫১, ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৪, থৌবালদগী ৬, বিষ্ণুপুরদগী ১৭, ককচিংদগী ২, উখ্রুলদগী ৪, তমেংলোংদগী ৪, তেংনৌপলদগী ১, চান্দেলদগী ৭, কাংপোকপীদগী ২, সেনাপতিদগী ২, নোনেদগী ১ অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী ১ নি। পোজিটিভ ওইরবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। লোয়নননা মীওই ১৩৫ নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে। হোম আইসোলেসন্দনা মীওই ৮২১ লৈরি হায়রি।

কন্টেমপ্ট কেসকী কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট...

*লামায় ১গী মখা...*অহল ওইরবা পিটিস্নর অসিনা মহাক্কী পেন্সনগী শেনফমদা লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্টনা পীখিবা রুলিং অদুগী মতুং ইন্না ৬শুবা য়ু জি সিগী স্কেল ওফ পে পীবিফম থোকই। মরম অসিনা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা মহাক্কী রিটায়র্দমেন্ট বেনিফিটশিং ফংহনবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎলকখিবনি। মহাক্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎ অসি ফোঙদোক্লদুনা মমাঙগী কুমজা ২০১৯ দা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-৬৫৩ ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা: জে সুরেশবাবু, এম হরেকৃষ্ণ, কমিস্নর/সেক্রেটরি (হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন) অমসুং রাজেশকুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফাইনান্স)নি।

পিটিসন অসি কোর্টনা লৌখত্তুনা খন্নবদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাওন্সেল এম দেবানন্দনা লেপ্পুনা মসিগী ৱায়েল চথরক্লবা মতুংদা চৎলিবা কুমজা অসিগী ফেব্রুৱারি ২০দা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা পীখিবা জজমেন্ট অমদা পিটিস্নর অসিগী ৱাকৎকী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্টনা জুলাই ১১, ২০১৯দা পীখিবা জজমেন্ট অদুনা পিটিস্নরগী ৱাফম অসিসু কোনশিনগদবনি হায়খিবনি। লোয়নননা মণিপুর লৈঙাক্কী কমিস্নর (হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন)না দিসেম্বর ২৯, ২০১৬তা থোকখিবা ওর্দর অদু চৎহন্দনা থম্লে হায়খিবনি।

অদুম ওইনমক, হায় কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোরক্তবদগী পিটিস্নর অসিনা কন্টেমপ্ট কেস (সিভিল) নম্বর-৭১ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগা কেস অসিগী মমাঙগী নুমিৎতা রেস্পোন্দেন্টশিংদা কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট ঙসি ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখিবনি। অদুম ওইনমক, কেস অসি ঙসিসু বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎপদা মমাঙগী নুমিৎতদি রেস্পান্দেন্ট নম্বর-২ অমসুং ৩ ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসিএলশিংগী মায়কৈদা মখোয়গী মহুৎ শিনবা কাওন্সেলশিং লাকখিদে হায়রদুনা ঙসিদি রেস্পোন্দেন্ট অনী অসিগী মায়কৈদগী সিনিয়র এদভোকেট নাইমোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্পলকখি। লোয়নননা মহাক্কী মায়কৈদগী কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট অসি পীনবগী মতম খরা পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি।

প্রেয়র অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা পিটিস্নরগী ৱাকৎকী মতুং ইন্না রেস্পোন্দেন্ট অনীগী মায়কৈদগী পীরক্কদবা কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট অদু জানুৱারি ১৩, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পীরক্লবা দিরেক্সন অমুক হন্না পীখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.291686
US Dollar	73.670374
British Pound	99.049468
Australian Dollar	55.086574
Chinese Yuan Renminbi	11.272761
Japanese Yen	0.707289
Malaysian Ringgit	18.127247
Singapore Dollar	55.148581
South Korean Won	0.067912
Saudi Arabian Riyal	19.645433
Thai Baht	2.452101
Myanmar Kyat	0.05607
Bangladesh Taka	0.86947

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49980.00
Mumbai	–	Rs	49650.00
Delhi	–	Rs	49592.00
Kolkata	–	Rs	49915.00

য়াইফ পাউজেল পীজরি : কোরকোম ...

লামায় ১গী মখা... মালেম পুম্বদা 'মীওইবগী হক্কী নুমীৎ'- 'হ্যুমেন রাইটস দে' হায়দুনা কুমজা ১৯৫০দগী হৌদুনা চহী খূদিংগী দিসেম্বর ১০বু ঙসি ফাওবা নীংশিংদুনা লাক্লি। কুমজা ২০২০গী হ্যুমেন রাইটস দে (দিসেম্বর ১০) অসিগী থীম অসি কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)না মালেম পুম্বদা লাইচৎ ওইনা শন্দোরক্তুনা মীওইবগী পুন্সি কয়া তেমশিংনরক্লিবা অমদি অৱা-অনা কয়া নংলিবা অসিবু য়েংদুনা য়ু এন জি এনা "রিকোভর বেট্টর-ষ্টেন্দ অপ ফোর হ্যুমেন রাইটস" হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। মীওইবগী রাইটকী ৱাফম পল্লকপদা ৱেসিয়া লমদমদা ওইরিবা মীওইবগী হক্কী ফীভম নৌহৌননা নীংশিংবা তঙাইফদে। য়ু দি ঐচ আরনা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস লিগেল সিষ্টেমগী মরু হুনখ্রবসু ৱেসিয়া লমদমদা লৈরিবা মীওইশিংদি ঙসিফাওবা তঙাইফদনা মীপুম খূদিংমক্না ফংগদবা মীওইবা অমা ওইবগী রাইট (মিনিমম ষ্টেন্দর্দস ওফ হ্যুমেন রাইটস) ফংদনা মীওইবা মরক্তা অতোনবা থাক হন্থবা মীওইবা খুন্নাই অমা ওইদুনা লাক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী ওক্যুপাইদ টেরিটোরি ওইরিবা ৱেসিয়া লমদমগী ইরৈচাশিংগী পোলিটিকেল, ইকনমিক, সোসল অমসুং কলচরেল রাইটশিং অসি বৃটিশকী লোয়লম লৈঙাক্না শেন্থীখিবা ঙসি ইন্দিয়া হায়না খঙনরিবা অনৌবা লৈবাক অসি শেল্লকখিবগা হকথেংননা মরী লৈনরি। চহীচা অনীমুক বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্কী মখাদা লৈরুরবা মতুং কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৫দা বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্কী মখাদা লৈরম্বা লৈবাক পুম্নমক মনিং মখা তমখি। মণিপুর (কংলৈপাক), ত্রিপুরা, হায়দরবাদ, ট্রাভানকোর, কাশ্মির অমসুং প্রিন্সলি ষ্টেটশিংদা বৃটিশ লৈঙাক্না খমথেংনা খুৎ থিংজিনখি। ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭কী মতুংইন্না ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭ তগী বৃটিশ পেরামাউন্টসি লোইরে, মসিগা লোয়নননা বৃটিশকী মখাদা লৈরম্বা প্রিন্সলি ষ্টেট পুম্নমক মনিং তমখি। বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টনা মখোয়না শুপ্নমদা পায়শিল্লম্বা পেরামাউন্ট পাৱর অসি অনৌবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা শীন্নবা পামদে অমসুং শীন্নবগী থৌশিল লৈতে। বৃটিশ পেরামাউন্টসি লোইরবা মতুংদা প্রিন্সলি ষ্টেটস পুম্নমক মনিং তম্লে, নৌনা শেল্লিবা ইন্দিয়া নৎত্রগা পাকিস্তানদা য়াওবা নৎত্রগা হায়রিবা লৈবাক অনীসিগা ট্রিটি রিলেসন্স থমদুনা মরী লৈনবা নৎত্রগা মশাগী ওইবা মরোমদোম তোঙান্না মনিং তম্না লৈবগী অয়াবা পীখি। মণিপুর (কংলৈপাক)সু "মেমোরেন্দম ওন ষ্টেটস, ট্রিটিজ এন্দ পেরামাউন্টসি (কেবিনেট মিসন'স মেমোরেন্দম, মে ১২, ১৯৪৬)"গী পেরা ৫কী স্পেসল এরেঞ্জমেন্টকী পরিং মখাদা মণিপুর কনষ্টিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭ শেমখি। ১৯৪৮ দা সিট ৫২ লৈবা মণিপুর নেসনল এসেমব্লীগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচবা নীংতম্বা লৈবাক অমা লিংখি। কুনশুবা চহীচাগী তংখাই চল্লকপদা বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্তগী নাম্থোক্তুনা মণিপুর (কংলৈপাক)গী য়েলহৌঙেদগী খুন্দামিন্নরক্লবা ঈগী ফুরুপ ইচিল-ইনাওশিং ঙসি শন্নপ্না নাগা অমসুং কুকি হায়নরিবা অমদি মীতৈ পাঙলগী মীহুৎশিং য়াওনা অনৌবা মণিপুর (কংলৈপাক) অমগী পাঙ্গল শেমখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মশাগী লৈহাওদগী থোরকখিদবা, মীরৈবাক্তগী পুরুবা দিমোক্রেসি ওইবনা লোয়লম শুপ্নম লৈঙাক্কী মচৎ ফোঙদোরক্তুনা অনৌবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মনিং তম্না লৈজবা পাম্বা প্রিন্সলি ষ্টেটশিং মথং মথং মাগী মখাদা নৌহৌননা নম হাদুনা লৌশিনখি। মণিপুর, ত্রিপুরা, হায়দরবাদ, ট্রাভানকোর, জুনাগাধ, কাশ্মির অমদি অতৈ কয়া ইন্দিয়াগী নমথাক লাংদা থুদুনা মরোমদোম মনিং তম্না লৈঙাকচবা, হিংজবগী রাইট (রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসন) মুনখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌতুনদুনা মশাগী ওইজবখক্তা থিবা ইরৈচা মরক্তগী মীওই খুজোক খরনা মণিপুর (কংলৈপাক)গী মনিং তম্ববু ইন্দিয়াদা য়োম্থোক্লুবা হোৎনরকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মনিংতম্বা লৈবাক অসিবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখি। কুমজা ১৯৪৯ দগী মণিপুর ইন্দিয়াগী মখা পোনখি। নীংখা তম্বা, ইরোমদোম লৈঙাকচবগী রাইট মাঙখি। কুমজা ১৯৪৯ দগী হৌদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী ওক্যুপাইদ টেরিটোরি অমা ওইদুনা লাক্লি। মরোমদোম মনিং তম্না লৈঙাকচরম্বা, মশাগী অইবা কনষ্টিট্যুসন শেমদুনা মীয়ামগী মীহুৎনা অনৌবা মণিপুর (কংলৈপাক) অমগী লীক্লমদা খোঙদাজরকখিবা মণিপুর (কংলৈপাক)বু ইন্দিয়াগী ওক্যুপাইদ টেরিটোরি অমা ওইনা খ্বাইদগী থাক হন্থবা পোলিটিকেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টেটস- পার্ট-সী ষ্টেট ওইনা থল্লরগা তপ্না তপ্না মণিপুর (কংলৈপাক)বু কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১ দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মনুংদা মপুং ফাবা ষ্টেটহুদ পীরে হায়রগা ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক)বু মাগী ১৯শুবা ষ্টেট অমা ওইনা লৌশিনখি। মনিং তম্না, মীখা পোন্দনা লৈঙাকচরকপগী/হিংজরকপগী হরাও-মথোই কাজবা মীয়াম, ওক্যুপাইদ টেরিটোরি পার্ট-সী ষ্টেটসতগী ইন্দিয়াগী ১৯শুবা ষ্টেটহুদ পীরকপদা ঙাইহাক পংথমিন্নখি। ইন্দিয়াগী পোলিটকেল অমসুং কনষ্টিট্যুসনল সিষ্টেমগী মনুংদা মণিপুরবু মাগী ১৯শুবা ষ্টেটহুদ পীদুনা এন্নেক্স তৌরবসু মালেমদা চৎনরিবা য়ু এনগা শাগোন্নরিবা চৎন-পথাপ-ইন্টরনেসনল লোগী মতুংইন্নদি মণিপুর (কংলৈপাক) অসি ইন্দিয়ানা ওক্যুপাই তৌরিবা টেরিটোরি অমা ওইদুনা লৈরি। মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা তৌবা এন্নেক্সেসননি, ইন্দিয়াগী নোর্থ-ইষ্ট এরিয়াজ রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ১৯৭১গুম্বা লো অমনা মদুবু ইন্টরনেসনল লোনা য়াবনি হায়বা ঙমদে। এন্নেক্সেসনননা ওক্যুপাইদ টেরিটোরিগী ষ্টেটস মাঙহনবা ঙমদে। মণিপুর (কংলৈপাক) অমদি ৱেসিয়া লমদমগী ইরৈচাশিংগী মনিং তম্না মরোমদোম লৈঙাকচনবগী রাইট (রাইটস টু পোলিটিকেল সেল্ফ-দিটরমিনেসন)বু ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঙসি ফাওবা ফংহন্দনা লাক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্নসু য়ু দি ঐচ আরগী কাঙলোনশিংবু মালেম পুম্বদা লৈরিবা মীওই ফুরুপ খূদিংমক্তা ফংহন্নবা পান্দমদা মপুং ওইনা শেমখিবা- ইন্টরনেসনল কোভিনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটস (আই সী সী পি আর) অমসুং ইন্টরনেসনল কোভিনেন্ট ওন ইকনমিক, সোসল এন্দ কলচরেল রাইটস (আই সী ঈ এস সী আর)- য়ান-ৱারোল অনী অসি তশেংনা ঈকায় খুম্নগনি হায়দুনা কুমজা ১৯৭৯দা রেটিফাই তৌখি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়ান-ৱারোল অনীসিগী আর্টিকল ১দা শকখঙলিবা রাইট ওফ পিপল'স টু সেল্ফ-দিটরমিনেসনবু ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা মীওই ফুরুপ হায়বদি ইন্দিয়াগী টেরিটোরি অমদি সোভরেন্টিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা (ইন্টিগ্রেল) শরুকশিংদা চৎনরোই হায়না দিক্লারেসন-রিজার্ভেসন থল্লিবসি দিমোক্রেসি অমদি রুল ওফ লোদা য়ুম্ফম ওইবা য়ু এনগী সিষ্টেমবু ঈকায়বা পীবনি। ইন্দিয়ানা আই সী সী পি আর অমদি আই সী ঈ এস সী আর অনীগী কম্মন আর্টিকল ১দা থল্লিবা অখুবা মীৎয়েং অসি হৌবদগী ফ্রান্স, নেদরলেন্দস, জর্মনি অমদি পাকিস্তানননা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। অসুম্না ৱেসিয়া লমদমগী ইরৈচাশিংগী রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসনবু ইন্দিয়ানা ঙসিফাওবা লাম্নীগী মতিক মঙমনা নমথদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক, ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্না নেসনল সেল্ফ-দিটরমিনেসনগী ৱাফমবু নমথনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু য়ুনাইটেদ নেসন্সগী থাক্তা সেল্ফ-দিটরমিনেসনগী ৱাফম অসিমক ঙসি য়াম্না চাউনা হিংদুনা লৈরিবা ৱাফম ওইরি। কুমজা ২০১৫দা নিকারাগুৱাদা পাঙথোকখিবা নন-সেল্ফ গভর্ণিং টেরিটোরিজগা মরী লৈনবা কেরিবিন রিজনল সেমিনার ওন দিকোলোনাইজেসনগা মরী লৈননা য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরম্বা বেন-কি-মুননা 'ঙসিসু লোয়লম মপুং ফানা মুত্থৎপা লোইদ্রি" হায়না ফোঙদোকখি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মণিপুর (কংলৈপাক)বু য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীগী মখাদা লৈবা স্পেসল কম্মিটি ওন দিকোলোনাইজেসন নৎত্রগনা সী-২৪ হায়না মিংথোনবা থৌপাং লুপ অসিনা মপুং ফানা শকখঙদ্রবসু মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ামগী শাংলবা নীংতম ঈহৌ অমা চথরি হায়বসিমক্তি য়ুনাইটেদ নেসন্সদা ইরমদমগী য়াওল্লুপ কয়ানা লেপ্পা লৈতনা অইবা ৱারোল পীশিন্দুনা খঙহন্দুনা লাক্লি। য়ু এন ওগী মীফম কয়াদা মণিপুরগী সেল্ফ-দিটরমিনেসনগী ৱাফম অসি মায় পাক্না পুখৎতুনা লাক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা শক খঙবীবসু হেনগৎলক্লি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মথং মথং ...